**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05.05.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা ঙসি লেন, অখাক অরাউ অমদি নোং য়াওনা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা চাউনা অমাং অতা থোক্লে।

২) লেন অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহল্লবশিংদা সরকারগী মাইকৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীননবা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থবক পায়খৎপা হৌখে।

৩) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা বাল বিদ্যা মন্দির কমপ্লেক্সতা স্কুল ওন হ্বিলস হৌদোকখ্রে।

৪) ছত্তিসগরগী দান্তেৱারা জিলাদা ঙসি মাওইষ্ট ৩৫ খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকখ্রে।

অমসুং

৫) লোক সভা মীখলগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোন্বা ঙসি লোইশিনখ্রে।

------

নোং (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি পুংদা কিলোমিতর ৫৫ গী মথক্তা লেন, অখাক অরাউ অমদি নোং য়াওনা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা চাউনা অমাং অতা থোক্লে।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটতগী ফংবা পাউনা হায়- ঙসি নুংথিল পুং ২ দগী ৩ ফাওবদা চুখিবা নোং অদুদা তমেংলোং জিলানা মিলিমিতর ২১.৬ য়ৌনা নোং চুদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা নোংজ্গী চাং ওইখি। ঙসি নুংথিল অখাক অরাউ য়াওনা চুখিবা নোং অদুদা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা য়ুম কৈ কয়া অমাং অতা থোক্লে, উ-ৱা কয়া তেক্লে। ইংখোলদা হৌবা মনা মশিং, ইন্সাং নাপী কয়া লেন্না ফুদৎখ্রে। য়ুম অমদি য়ুমথক হুমদোকখিবতা নত্তনা য়ুমথক্তা তারকপা অচৌবা লেনশিংনা ফুদৎপদা য়ুমথক্কী জিঙ্খা কয়া হোরে।

ঙসি নুংথিলগী লেন য়াওবা অকনবা নোংজ্ অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম কয়াদা চাউনা শোকহল্লে। শিংজমৈ, ক্বাকৈথেল, উরিপোক অমদি লাংজিংনচিংবা মফম কয়াদা চাউনা অমাং অতা থোক্তুনা মীওই কয়া লৈফম লৈতবগী খুদোংচাদবা মায়োকরে হায়রি। কোন্থৌজম গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা টিন্না কুপ্পা য়ুমশিংগী চাদা ৯৯ দি লেন্না ফুদৎপদগী অমাং অতা থোক্লে হায়রি।

থৌবাল জিলাগী মফম কয়াদসু লেন তাবা অমদি নুংশিৎ কন্না শিৎপদগী মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। জিলা অসিগী মনুং চনবা ৱাংজিং লমদিংদা য়ুমথক কয়া হুমদোকপা অমদি লেন্না য়ুমথক অকায় অতোই থোকহনবতা নত্তনা ইংখোলদা হৌবা মনা মশিং কয়া অমাং অতা থোক্লে। জিলা অসিগী কাইরেনবীখোক, উয়াল ৱাংবল, লংথবাল, খোংজোম চীংথাম অমসুং খাঙবোক্কী মফম কয়াদসু ঙসিগী লেন য়াওবা নোংজ্ অদুনা চাউনা অমাং অতা থোকখ্রে। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎতা কাইরেনবীখোক অমদি ৱাংজিংগী ইমুং খরসু শোকহনখিবা লৈখ্রবনি।

নোনে জিলাদসু নোং কন্না চুবদগী লম্বীদা তুরেলগুমা ঈশিং চেনখি। নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা য়ুম কৈ হুমদোকপদা নত্তনা উ-ৱা কয়া তেকখি। অনেম্বা মফমশিংদা লৈবা য়ুম কয়া খঙহৌদনা ঈশিং থুমজিনখি। জিলা অসিগী মফম কয়াদা চীং নিংখায়বা অমসুং লৈনাং চেন্থরকপগী থৌওং কয়াসু থোকখি। ঙসি তাখিবা লেন অদুনা মহৈ মরোং কয়া অমাং অতা থোকখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলগী নোংপোক থংবা মাইকৈদা লৈবা

লৈমাপোকপম অমদি খা শঞ্জেনবমনচিংবা মফমশিংদসু ঙসি লেন য়াওনা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা যুম কৈ, ঙায়োক ফার্ম অমদি উপাল ৱাপাল কয়া হুমদোক্তুনা চাউনা অমাং অতা থোক্লে হায়রি।

সিএম (এল)ঃ ঙসি শিৎখিবা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহল্লবশিংদা সরকারগী মাইকৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীননবা থবক লৌখৎপা হৌরে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসিগী থৌদোক অসিগী মতাংদা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- লেন অমদি নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহল্লবা যুম কৈশিং অথুবদা শেমজিন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। মরম অদুনা অমাং অতা থোক্লবা যুমশিংগী মপুশিংনা জিলা জিলাশিং অদুগী মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিসনারশিংদা অমাং অতা থোক্লবা যুমশিংগী ফোটোগা কোন্ননা মরী লৈনবা চে চাংশিং থাজিল্লকবা হায়রি।

মরক অসিদা, ঙসিগী লেন তাখিবা অমসুং নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা অমাং অতা থোকহল্লবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিয়েলশিংনা হকথেংননা চত্তুনা অমদি ফোটোনচিংবা কাপ্তুনা সর্ভে তৌবগী থবক হৌখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনসু ঙসিগী নোংলৈ নুংশিৎ য়াওবা লেন অমদি নোংনা মাং তাকখিবগী রিপোর্টশিং মরী লৈনবা এস.দি.ওশিংগী ওফিসতা পীখৎলকবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু অমাং অতা থোকখিবগী পাউশিং হেল্প লাইন নম্বর- **9856401043** দা পাউ পীরকবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতগী ফংবা পাউনা খঙহল্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা মোবাইল নম্বর- **9366390171** দা, কাংপোকপী জিলাগী ওইনা **8132067577** দা, থৌবাল জিলাগী ওইনা **7042114822** দা অমসুং জিরিবাম জিলাগী ওইনা **7085052630** দা

পাউ ফাওরকবা হায়রি।

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা বাল বিদ্যা মন্দির কমপ্লেক্সতা কোইনা চত্তুনা মহৈ তন্বীনবা বস- স্কুল ওন হ্বিলস হৌদোকখ্রে।

বিদ্যা ভারতি শিক্ষা বিকাস সমিতি মণিপুরনা শিন্দুনা নৌনা হৌদোক্লিবা থৌরাং অসিনা রিলিফ কেম্পশিংদা অমদি রাজ্য অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা চত্তুনা মফম অদুদা লৈরিবা অঙাংশিংদা মহৈ মশিং তন্বীনবা পান্দম থল্লি। হায়রিবা স্কুল বস অসিদা ওজা য়াওনা লাইব্রেরি, কম্প্যুটর অমসুং শান্ন-খোৎনবগী পোৎলম কয়া পুদুনা চৎকনি।

বাল বিদ্যা মন্দির কমপ্লেক্সতা লৈবা সুদরসন হোলদা পাঙথোকপা স্কুল ওন হ্বিলস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা হায়- বিদ্যা ভারতি শিক্ষা বিকাস সমিতিনা পায়খৎক্লিবা অনৌবা খোঙথাং অসিনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মহৈরোইশিংদা কান্নবা কয়া পীরগনি। মহাকা হায়- মমাং চহিগী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাং অসিনা মীওই কয়াগী পুন্সিদা চাউনা চৈথেং পীবতা নত্তনা মহৈরোই কয়ানা মহৈ মশিং তম্বদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা সমিতি অসিনা হৌদোরক্লিবা থৌশিল অসি য়ামা ফবা খোঙথাং অমনি। অসিগুম্বা স্কুল ওন হ্বিলসকী থৌশিল অসিবু পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা অসিগুম্বা বস মশিং হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎনবসু রাজ্যপালনা চীফ সেক্রেটরিদা খঙহনখি। মণিপুরগী ইরাং অসিনা ময়ুম মকৈ লৈত্রবা অৱাবা কয়া খাঙলিবা মীয়াম্বু মপুংফানা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবসু রাজ্যপালনা মুখ্য মন্ত্রি অমসুং চীফ সেক্রেটরিগী পুকিং চিংশিনখি।

থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি ডাঃ বিনিত জোসি, বিদ্যাল ভারতিগী সঙ্গথন মন্ত্রি ডাঃ পাৱন কুমার তিৱারি য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

তোম্বী (এল)ঃ শিব সেনা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়রি- চহি অমা হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং অসি রাজনীতিগী ওইনা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকপা মতম ওইরে।

ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী তোম্বীনা হায়- ইরাং অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা রাজনীতি দলশিংনা পুন্না ফম্মিন্নদুনা থৌদাং য়ামিন্নবা তঙাইফদে। মতম শাংনা ইরাং অসি চথদুনা লাকপনা করম্বা মতমদা লোইশিনগনি হায়বসি মীয়ামা খৌরাংনা ঙাইনরিবা ৱাফম অমনি।

এআর (এল)ঃ অককবা পাউ অমা ফংবদগী লান্মী অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা হৌখিবা থা অসিগী ৩ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শঙাইথেল এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা নাইন এম.এম করবাইন অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, হেন্দগ্রেনেদ মরি অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম ফাগৎলে হায়রি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু পুলিসতা শিন্নখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- পাৎশোই অমসুং সেকমাই পুলিস ষ্টেসনশিংগী ও.সিশিং, তোঙান তোঙানবা চীং অমসুং তম্পাক্কী খুলশিংগী মীহুৎশিং য়াওনা ৱারী শান্নবগী থৌরম কয়া মখা তানা চথরি।

ওকপা (এল)ঃ বেঙ্কোকতা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা য়ুনাইতেদ নেসন্সকী জেনেরেল এসেমব্লি ওফ বেষ্ট দিপ্লোমেটস কনফরেন্সতা শরুক য়ারুবী গাইত্রি চনু শরাংথেমবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি নুংথিল থম্বালফোং শাবল লৈকাইদা লৈবা নুংথিল চাইবী ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরদা এম.এ তম্লিবী গাইত্রিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১০০ হেনবগী দেলিগেটশিংনা শরুক য়াখিবা কনফরেন্স অদুদা ভারতকী মহুৎ শিন্দুনা গ্লোবেল ৱাটর ক্রাইসিস হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী হান্নগী এম.এল.এ- নহাকপম ইন্দ্রজিৎ শরুক য়াখি।

উকল (এল)ঃ ডমং লাই কনবা অপুনবা লুপ (উকল)না পুথোকপা উমং লাই লাইরিক্কী অনিসুবা শরুক ঙসি কৈশামপাৎতা লৈবা দি.আই.পি.আরগী ওফিসতা ফোংখ্রে। নৌনা পুথোক্লিবা লাইরিক অসিদা মীতৈ ফুরুপকী য়ামা মরুওইবা লাইফমলেনশিং ওইরিবা উমং লাইগী খুভম অমদি খুভমশিং অদুগী মতিক

ময়াইশিংগী মতাংদা য়াওরি। ঙসিগী থৌরম অদুদা উকলগী প্রসিদেন্ট চনম নবচন্দ্র অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরগী দিপুতি রেজিষ্ট্রার ডাঃ লৌরেম্বম শুরজিৎ শরুক য়াখি।
কবুই (এল)ঃ   কবুই কষ্টমরি কাউন্সিল, মণিপুরনা কবুই খুন্নাইগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা নাৎশিং য়োকখৎনবা হোৎনবগী ৱারেপ কয়ামরুম লৌখিবা অদুদা কবুইশিংগী চহি হৌবা অসি শজিবুগী নোংম পানবদা ওইরগনি হায়না লাউথোরকপবু লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা তরামা ওকই হায়রি।

কেম্প (এল)ঃ    ডাঃ নাওরেম অচৌবা লৈখিদবগী অহুম্লকসুবা নিংশিং কুমওনগা মরী লৈননা ঙসি নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ককচিংগী য়ুম্বীমচা হাইস্কুলগী কেম্পসতা লৈবা সেন্ত্রেল পাব্লিক হোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মেদিসিন, গাইনি, ই.এন.টি অমদি য়াগা মরী লৈনবা অনাবা মীওই ২০০ রোম লায়েংখি হায়রি।

উ (এল)ঃ   সেনিয়র সিতিজন্স সোসাইতি খুন্দ্রাকপম এ.সিনা নোংমগী ওইবা সোসিয়েল সার্ভিস কেম্প অমা সোসাইতি অসিগী ৱাইরি চীংয়াদা লৈবা ইংখোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

কাং (এল)ঃ   অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৪ থা অসিগী ১২ দগী চীংঙা মথক্তা লৈবা শিংজমৈ কাংশঙদা হৌরগনি হায়না শিংজমৈ কাং খুৎ চিংঙা মথক্কী সেক্রেটরি শিনাম শরতনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

ফুটবোল (এল)ঃ   ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চৎথরিবা ১৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু.এস.এনা এন.এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস.জি.এফ.সিনা য়ু.বি.এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

শঙাই ত্রোফি (এল)ঃ মঙাসুবা শঙাই ত্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নগনি হায়না তৌরম্বা ফাইনেল মেটচ অদু নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা মতম কক্তুনা য়েথোক্লে হায়রি।

সরেন্দর (এল)ঃ ছত্তিসগরগী দান্তেৱারা জিলাদা ঙসি মাওইষ্ট ৩৫ খুৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা শেলগী মনা লাউথোকখ্রবা মরুওইবা মীওই অহুম য়াওরি। মখোয়না ঙসি দান্তেৱারা রেঞ্জগী দি.আই.জি- কমালোচন কাইসব অমসুং সি.আর.পি.এফ অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসারশিংদা চংজরকখিবনি। ঙসি চংজরকখিবা মাওইষ্টশিং অসি লম্বী থিংবা অমসুং নক্সলাইটকা মরী লৈনবা ইরাং কয়া থোকহনবদা মপুং ওইনা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিং অদুদা মীওই অমমমদা লুপা লিশিং ২৫-২৫ গী ইন্সেন্টিভ পীরগনি হায়না সরকারনা লাউথোকখ্রে। দান্তেৱারা পুলিসনা পায়খৎলকপা লোন বরাতু হায়বা সরেন্দর কেম্পেনগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মাওইষ্টি ৭৯৬ সরকারদা চংজরকখ্রে হায়রি।

কেম্পেন ঃ লোক সভা মীখলগী অহুমসুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোন্বা ঙসি লোইশিনখ্রে। মাগী মাগী দলশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা শরুক য়াদুনা মীখলগী রেল্লি কয়া পাঙথোকখি অমদি মখোয় মখোয়গী মীরেপশিংগীদমক ভোৎ খোমখি। তাঙ্কক অসিগী ওইনা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২ গী লোক সভা কেন্দ্র ৯৩ দা থা অসিগী ৭ তা ভোৎ থাদনগনি।

উত্তর প্রদেশতা তোঙান তোঙানবা মীরেপশিংনা য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা ভোৎ খোন্বা অমদি রোদ সোনচিংবা কয়া পাঙথোকখি। বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইতাৱা অমসুং ধাওরারা লোক সভা কেন্দ্রদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাংখি অমসুং অযোধ্যাদা পাঙথোকপা রোড সো অমদসু শরুক য়াখি। তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকপা মীখলগী কেম্পেনদসু শরুক য়াখি।

উত্তরাখন্দদসু রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রি অমদি বি.জে.পি লুচিংবা পুস্কার সিংহ ধামিনা শরুক য়াদুনা বাদায়ুন জিলাদা রোড সো অমা পাঙথোকখি। কংগ্রেসকী উত্তর প্রদেশকী ইনচার্জ ওইরিবা অভিনাস পান্দেনা কংগ্রেস মীরেপকীদমক

পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি।

------